# কুঞ্জরানি, সনামচাগী মতুংদা ৱেথলিফটিং মশান্নদা মণিপুরবু মালেমদা শক্তাক্লক্লিবী মীরাবাই চনু




রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

রিও ওলেম্পক ২০১৬তগী মেদল পুরকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মশাগী ষ্টেটতফাওবা লাকখিদ্রবী ৱেথ লিফটর সাইখোম মীরাবাই চনু মথং চহীগী জান্যুৱারী ২৩দা অতেনবা মতম খরগী ওইনা হন্দক্তি মরমদমদা শোয়দনা থোরক্কনি হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ২৩ হায়রক্লবী মীরাবাই চনু হৌজিক হৌজিক রেলৱেজগী ওইবা ৱেথলিফটিং কম্পিটিসন্দা শরুক য়ারি। মসিগী মথংদা জান্যুৱারী থাদা পাঙথোক্কদবা সেনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা পার্টিসিপেট তৌরম্লগা মণিপুরদা শোয়দনা থোরক্কনি। মদুগী অয়াবসু লৌরে হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, সাইখোম মীরাবাই চনু কুমজা ২০০৭তগী ৱেথলিফটিং হায়বা মশান্না অসিদা খোঙদারকখিবনি। য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট ৱেথলিফটিং এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট ৱেথলিফটিং কোচ এল অনিতা চনু (ধ্যানচান্দ এৱার্দি) গী মখাদা ইহান হান্না ত্রেনিং তৌরকখিবী লিফটরনি। অঙাংদি নিংথাদগী খঙই হায়বগুম্না মশান্না অসিদা চঙলকপা ইকুই কুইদনা কুমজা ২০০৮দা তৌখিবা ষ্টেট লেভেলগী চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারম্লগা কুমজা ২০০৯দগী নেসনল য়ুথ/সব জুনিয়র গার্লসকী চেম্পিয়নশিপ্তা য়াওরকপগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙম্লকখি। মসিদগীদি মথং মথং শিলভর মেদলনচিংবা লৌবা হৌরকখি।

মীরাবাই চনুগী অহানবা ওইনা শক্তাক্লকখিবা চেম্পিয়নশিপ হায়রগদি কুমজা ২০১২দা ম্যান্মারগী য়াঙ্গোন্দা নবেম্বর ১০দগীনা ১৩ফাওবা তৌখিবা য়ুথ এন্দ জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অসিনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা লিফটর অসিনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলুপ্তা স্নেচতা কেজি ৭৪ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা ৯৪ পূন্না কিলোগ্রাম ১৬৮ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। মসিগী মখা তারকপদসু মীরাবাইনা কুমজা ২০১৪গী কম্মনৱেলথ গেমসতগী ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তুগী শিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙম্লকখি।

মীরাবাই চনুগী নেসনল রেকোর্দ খরা হঙ্গৎনা নৈনবা য়াবদি কুমজা ২০১২গী ন্যু দেল্লিদা চথখিবা জুনিয়র নেসনলদা সনাগী মেদল লৌরকখি। লোয়ননা চহীসিমক্কী সেনিয়র নেসনলদসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। কুমজা ২০১৩ দগীদি মীরাবাই হেন্না ইমপ্রুভ তৌবসু ঙম্লকখি। হায়রিবা চহীদুগী দিসেম্বর থাদা গুৱাহাটিদা তৌখিবা জুনিয়র নেসনলদা সনাগী মেদল লৌবগা লোয়ননা ন্যু নেসনল রেকোর্দসু থম্বা ঙমখি। কুমজা ২০১৩দা পেরুদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তসু মীরাবাই ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। অদুগা কাজখষ্টান্দা চথখিবা এসিয়ন জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তুগীসু শিলভর মেদল ফংলকখি। মালেসিয়াগী পেনাঙদা তৌখিবা কম্মনৱেলথ সেনিয়র ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ্তুগীসু মীরাবাই সনাগী মেদল পুদুনা লাকখি।

নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্তা ইন্দিয়াগী মীংচৎ তত্তনা পুরকপগী মপান্না কুমজা ২০১৬কী রিও ওলেম্পিক্কী ইন্দিয়াগী টিম খনগৎপদা মীরাবাইসু য়াওরকখি। কুমজা ২০১৬কী জুন ১৭তা লিফটর অসিনা এন আই এস পটিয়ালাদা পীখিবা ওলেম্পিক ত্রাইএল রেকোর্দ অসি স্নেচতা ৮৫, ক্লিন এন্দ জর্কতা ১০৭ পূন্না কিলোগ্রাম ১৯২নি। মহাক্না থাঙ্গৎখিবা অসি নেসনল রেকোর্দ অনী থুগাইখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদসু ওইখিবনি। মহাক মশামক্না হান্না থমখিবা স্নেচকী কিলোগ্রাম ৮৪ অদু কিলোগ্রাম অমা হেন্না থাঙ্গৎতুনা থুগায়বদা নত্তনা এন কুঞ্জরানিনা কুমজা ২০০৪দা ক্লিন এন্দ জর্কতা থম্লম্বা কিলোগ্রাম ১৯০গী নেসনল রেকোর্দ অদু ২০১৬তা মীরাবাইনা থুগাইদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্লমখিবনি। অসুম্না অতেনবা খোঙচৎ অমদা রিও ওলেম্পিক এরেনা থুনা য়ৌবা ঙমখিবী লিফটর অসি রিও ওলেম্পিক্তদি নীংবা কায়না হল্লকখি। মদুগী মায়থীখিবদুনা মরম ওইরগা অনৌবা থৌনাগা লোয়ননা মশাগী মরমদমফাওবা থোরকখিদে। পটিয়ালা কেম্পতা হল্লক্লবা মতুংদা মায়থীখিবগী মরমদা নৈনরকপগা লোয়ননা মালেমগী ওইবা অচৌবা কম্পিটিসন্দা মায়পাক্ক নবা করি করি তৌগদগে হায়বসিদসু মীরাবাই চনু খোঙ থাঙজিনবা হৌরকখি। কম্পিটিসন হায়বসিদি হকচাংদা নত্তনা পূক্নিং ৱাখলসু মপাঙ্গল কন্না থমদবা য়াদে হায়বসি রিও ওলেম্পিক্তগী অচৌবা পাড়া অমসু ওইরকখি। রিও ওলেম্পিক্তা নীংবা কায়খিবা থৌদোকশিংদু অমুক হন্না থোকাতনবা হোৎনবগা লোয়ননা অকনবা ত্রেনিং মখা তানা চত্থবসু হৌরকখি। লোয়ননা চহীসিগী নবেম্বর থাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী অনাহেমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলুপ্তা মীরাবাই চনুনা সনাগী মেদল লৌরকপদা নত্তনা নেসনলগী অনৌবা রেকোর্দসু থম্বা ঙমখি। মীরাবাইনা স্নেচদা কেজি ৮৫, ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০৯ পূন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎপা ঙমখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬১

১. মহাক ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী অমা অমসুং শেঙ্গেংগী মেদল অমা ফংখিবা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মতমদা অমেরিকাগী লৈঙাক্না কুচুমুবা (নেগ্রো) খক্তগী ওইনা অখন্ননা লিংখৎখিবা এয়ার ফোর্সতা এয়রমেন ওইনা খন্দুনা (থবক তৌদুনা) অনীশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখি অমদি কোরিয়াগী লান্দসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২. মহাক কুমজা ১৯৯০দা য়ু এস এগী টেক্সাসতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমদা শরুক য়ারুবা মণিপুর মচানি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩. শগোল থৌবদা ‘চুমখাম’ হায়বা অসি করিবু খঙনবগে?

৪. এসিয়ান গেমসকী শিলভর মেদল ফংখিবা অহানবা মণিপুর মচাদু কনানো?

৫. লাই অসিদা শগোল থৌরিবা মীশক অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্লা নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্লা পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সেরিনা ৱিল্লিয়মস অমুক হন্না শান্নবা হৌনবা ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সি) : চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা অঙাং উনবদগী শান্নবা লেপখিবা সেরিনা ৱিল্লিয়মস অথুবা মতমগী মনুংদা অমুক শান্নবা হৌনবা মশামক্না ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে।

ইন্সত্রাগ্রামদা মহাক্না লৌখিবা মশীং য়াম্লবা গোল্ড মেদলশিং অমদি অঙৌবা মচুগী টেনিস শুশিংগী ফোটো অমা অপলোদ তৌরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মরুপ মপাংশিংদা অঙকপা প্রোকপ্রা হায়বা ৱাফমসু থল্লকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬শুরবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৩ রক লৌখ্রবা অমরেকান সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী অহানবা মচা পোকখ্রবা মতুংদা মেলব্রোন্দা মথং চহীগী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারবা য়ানা লৈখ্রে। হৌখিবা চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটলসু মহাক্না লৌখিবনি। য়ূম্বান পুন্সিদা খোঙদারবা মতুংদা গ্রান্দ স্লমগী লৈরবা মতুংদা কুমজা ২০০৯গী য়ু এসকী টাইটল লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়ন ইভোনি গুলাগোং অমসুং মাগরেট কোরসু মচা লৈরবা মতুংদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুবু সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মচা লৈরবা মতুংদা করম্বা পার্ফোমেন্স পীকপগে হায়বদু য়েংবা তারি।

## কুমজা ২০২৩গী ৱর্ল্ড কপ, ২০২১গী চেম্পিয়ন্স ত্রোফি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরি




ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১২(এজেন্সি) : কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিং (এস জি এম) না কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি অসি য়ূম্বু ওইরগনি হায়না কনফার্ম তৌখিবনি।

ৱান দে ইন্টরনেসনলগী ৱর্ল্ড কপকী ওকেজন অহুম্লক্তা ইন্দিয়ানা কো হোষ্ট ওইখ্রে। ইন্দিয়ানা কো হোষ্ট ওইখিবা চহীশিং অদুদি কুমজা ১৯৮৭, ১৯৯৬ অমসুং ২০১১দনি। কুমজা ২০২৩দনা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা মপূং ফানা য়ূম্বু ওইগদৌরিবনি। কুমজা ১৯৭৫তগী পাঙথোকপা হৌখিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮৩ অমসুং ২০১১দা অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

বি সী সী আইগী স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিং অদুনা অতোপ্পা ৱাফম কয়াসু খন্নখি। মীফম অদুনা লেপ্নখিবা মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা চহী মঙা অসিদা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নগদবা মশীং হেনগৎহন্দুনা কুমজা ২০১৯দগী কুমজা ২০২৩ ফাওবদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা তোঙান তোঙানবা ফোর্মেটকী মেচ ৮১ শান্ননবসু ৱারেপ লৌখি।

এস জি এম অসিদা লৌখিবা অতোপ্পা মরুওইবা ৱারেপশিং অদুগী মরক্তা য়াওখিবশিং অদুদি রাজস্থান ক্রিকেট এসোসিএসন (আর সী এ) দা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা অদুসু য়াওরি।

বি সী সী আইগী এক্টিং সেক্রেটরি অমিটাব চৌধুরিনা স্পিসিয়েল জেনরেল মিটিং লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা হায়খি, কুমজা ২০১৯দা আফঘানিষ্টান্না মখোয়গী অহানবা টেষ্ট মেচ ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি হায়না লেপ্লম্বনি। ইন্দিয়া অমসুং আফঘানিষ্টানগী মরক্তা লৈনরিবা পুৱারীগী ওইবা মরীশিং অসি য়েংলগা ঐখোয়না আফঘানিষ্টানগী অহানবা টেষ্ট মেচ অসি য়ূম্বু ওইনবা ৱারেপ লৌবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কোলকটাদা শান্নখিবা এগজিবিসন মেচতা মরাদোনানা শরুক য়াখিদ্রে, অদিত্যা স্কুল ওফ স্পোর্টসকী মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীখ্রে



বরাসট, দিসেম্বর ১২(এজেন্সি): মেচ ফোর য়ুনিটি হায়বা থিমদা কোলকটাদা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হান্নগী কেপ্তেন সৌরব গাঙ্গুলিগী টিমগা শান্নগদবা এগজিবিসন মেচতা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল লেজেন্দ দৈগো মরাদোনা শরুক য়াখিদ্রে। মরাদোনানা অদিত্যা স্কুল ওফ স্পোর্টসকী মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীখ্রে।

কোলকটাদা শান্নগদবা এগজিবিসন মেচ অদুদা শরুক য়াগদবা মরাদোনা মশা চোকথরকপা অমদি ওর্গেনাইজরশিংনা ইভেন্ট অদু শিন লাংবদা অশোনবা মতৌ কয়া উৎপদগী মরাদোনানা এগজিবিসন মেচ অদুদা শরুক য়াখিদবনি। অদুমকপু এগজিবিসন মেচ অদু মরাদোনানা বোল কাওদুনা হৌদোকখি অমদি এগজিবিসন মেচ অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অমদি ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হান্নগী কেপ্তেন সৌরব গাঙ্গুলিগা খূৎ শোক্নখি।

ইন্দিয়াগী হান্নগী ফুটবোল্লর সান থাপা, প্রসুন বেনর্জি, দিপেন্দু বিশ্বাস, সিসিল ঘোস, বিশ্বরজিৎ ভট্টচার্য্য, অলবিটো দি কুনহাসু মেচ অদুদা বেঙ্গোল ক্রিকেট কেপ্তেন মনোজ টিৱারি অমসুং ফাষ্ট বোল্লর সিব সঙ্করসু শরুক য়াখি।

মিনিট ৪০গী ওইবা এগজিবিসন মেচ অদুদা গাঙ্গুলিদি শরুক য়াখি। অদুমকপু ১৯৮৬কী ৱর্ল্ড কপকী ৱিন্নর ওইখিবা টিমদা য়াওখিবা মরাদোনাগা শান্নবা ফংখিদবা অদুগীদমক অপেনবা ওইহৌখিদে। মরাদোনাগী য়েৎ থংবা খূৎসু নাখিবনা মরম ওইরগা মেচ অদুদা শরুক য়াখিদবনি। এগজিবিসন মেচ অদু শান্নবা লোইরবা মতুংদা ফুটবোল মশান্নগী ওইবা ৱার্কশোপ অমসু পাঙথোকখি।

এগজিবিসন মেচ অদু লোইরবা তুংদা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল লেজেন্দ দৈগো মরাদোনানা অদিত্যা স্কুল ওফ স্পোর্টসকী মহৈরোয়শিংদা বোল মতৌ করম্না নিংথিনা পাস তৌগদগে অমদি পেনালটি মতৌ করম্না কাওরগা গোল চনগদগে হায়বগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিককশিং তাকপী তম্বীখি।

মহৈরোয়শিং অদুগী মরক্তগী অখন্নবা মহৈরোয় খরা মরাদোনানা হকথেংননা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং খঙহনখিবগা লোয়ননা ক্লোজ রেঞ্জদগী বোলবু মতৌ করম্না টার্গেট তৌগদগে হায়বগী মতাংদসু শুগাইনা খঙহনখি। মরাদোনানা মহৈরোয়শিং অদুগা পুন্থায় অমা চুপ্লা লোয়নখিবা অদুদা মহৈরোয়শিং অদুনসু অপেনবা পোকখিবদা নত্তনা মহৈরোয়শিং অদুনসু মঙোন্দগী খঙহৌবা য়াবশিং খঙহৌনবা হোৎনখি।

